

ছবি— শ্রীমৎপরমহংস শ্রীস্বামী যোগেন্দ্রানন্দ গিরি

অবতারগী অথুপ্পা ৱা

(কোঙগদোম্বিবা লাইরিক শ্রীমদ্ভগবদ্‌গীতা ব্যাখ্যানগী মরিশুবা অধ্যায়দগী লৌথোক্তুনা কোঙবা)

অইবা:—

শ্রীমৎপরমহংস পরিব্রাজকাচার্য্য

শ্রীস্বামী যোগেন্দ্রানন্দ গিরি

বেদান্তাচার্য্য, সিদ্ধান্তজ্যোতিষাচার্য্য

—o—

১৯৮০

জ্ঞান মন্দির

ইম্ফাল

থোংজবা : -

জ্ঞান মন্দির,

ইম্ফাল।

অহানবা থুংনম : - এপ্রিল, ১৯৮০ ইং,

কোপী মশীং :— ১০০০



মমল— লুপা ৩

স্বত্ব পুরমক - অকোঙবশীনি।

নমম :— হেম এণ্ড বুক ইন্দষ্ট্রি,

নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক, ইম্ফাল।



শ্রীমৎপরমহংস

শ্রীস্বামী যোগেন্দ্রানন্দ গিরি

অফোঙবগী ৱারোল

শ্রীমৎপরমহংস স্বামী যোগেন্দ্রানন্দ গিরিজী মহারাজনা শ্রীমদ্ভগবদ্‌গীতাগী অধ্যায় মরি মীতৈলোন্দা ইবিরগা ফোংননবগী-দমক থাবীরকপা মতমদা অস্মুন্না তাকপিরকই— "মহুদা ঐনা নোট ওইনা ইথিবা অহুগী মতুংইন্না অবতারগী অথুপ্পা রা heading পীহুনা য়াম্না থুনা ফোঙদোক্লবা হোৎনৌ।" মসি তাং ২৯।৯। ৭৯ ইং-দা ইবিরকপা পত্রদা খঙহনবীরকপনি। মতম অসিরাইসি Midterm Electionগী য়াম্না লাঙবা অহুগা মণিপুরদা চে অমস্তুং প্রেসকী থুদোং চাদবা কয়া লৈবদগী ঐখোয়না Election লোইবা ঙাই-হুনা লৈথি। হৌজিক শ্রীশ্রীপরমাত্মাগী কৃপাদগী লাইরিক মচা অসি ছাপা নম্বা লোইরহুনা ফোঙজরে।

জীবনা মা-মানা তৌবা পাপ-পুণ্য কর্মগী মহয় ওইনা হন্না হন্না হকচাং লৌহুনা (পোকতুনা), লানঙমল্লবা তাইবং ঈপাক্তা তাহুনা লৈ। অহুগা শ্রীশ্রীপরমাত্মা পরমেশ্বরগী হকচাং লৌবদি (অবতারদি) অস্মুন্না ওইদে। মায়াবু উপাধি ওইনা লৌদুনা লৈবা ঈশ্বরনা অবতার লৌই, অহুগা ভগবানগী দেহদি (হকচাংদি) জীবশিংগীগুম্না পঞ্চভূতনা শাবা ভৌতিক দেহ নত্তে; স্বপ্ন। মায়ানা মরম ওইহুনা মাগী হকচাংবু উইহনবীবনি — স্বামীজীনা লাইরিক মচা অসিদা ইবিবি। অস্মুন্না অবতার করিনো ? অবতার লৌবিরিবা ভগবানগী হকচাং করম্না ওই, করি মরমগীদমক অবতার লৌই, অবতারগী মখল মথা অঙ্গিনচিংবা মরম কয়া লাইরিক মচা অসিদা কুপ্না

ইবিহুনা থঙহনবিরি। অতুগা শ্রীশ্রীপরমাত্মা পরমেশ্বরগী মশী· লাকঙমদ্রবা অবতারশিংগী মরক্তগী ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী অবতারহনা মপূং ফাবা অবতারনি হায়বসি শ্রুতি অমসুং পুরাণশিংগী প্রমাণ কয়া পীডুনা তাকপিরি। "এতে চাংশকলাঃ পুংসঃ কৃষ্ণস্তু ভগবান্ স্বয়ম্॥" (ভাঃ ১/৪/১৮) —'অতোপ্পা অবতারশিংদি পরমেশ্বরগী অংশ ওইবা কলাশিংনি; শ্রীকৃষ্ণদি কলা ১৬না তিনবা পরমেশ্বর ভগবান মশামক্নি।" মসিমক স্বামীজীগী চপ চাবা অনুবাদনি। অমুম্না অর্জ্জুনগী মফমদা গীতা উপদেশ পীবিরিবা ভগবান শ্রীকৃষ্ণ অসি সাক্ষাৎ পরমেশ্বর পরমাত্মাগী পূর্ণ অবতারনি থঙহনবীরি। মরম অসিনা শ্রীভগবান শ্রীকৃষ্ণবু নীংথিনা থঙবিনীংবা ভক্তশিংনা লাইরিক মচা অসিবু কূপ্না নৈনবিরবদি, ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী অশেংবা শক্তমতু তশেং তশেংনা উবা ফংবিগনি হায়জনীংই অমসুং "স্বামীজিগী কৃষ্ণ কনানো?" নচিংবা চিংনবিথিবা য়াও-বিরমলবসু লাইরিক মচা অসি পাবিরগ: চিংনবিররোই হায়না ঐখোয়না নীংঙ্ঝে।

পূজ্য শ্রীঅরিবম শিবদত্ত শর্ম্মনা পরমহংস পরিচয় (পরমহংস কনানো?) ইবিরকতূনা লাইরিক মচা অসিগী হেন্না মপূং ফাহনবীরে মসিগীদমক পরমশ্রদ্ধেয় শ্রীঅজ্ঞাজীগী শিংঙমদ্রবা নম্মন ঐখোয়না তোনসিনজরে।

অরোইবদা শ্রীলাইশ্রম মণি সিংহনচিংবা জ্ঞান মন্দিরগী মেম্বর-শিংনা কন্না নোম্বিবদগী শ্রীস্বামীজী মহরাজগী লাইরিকশিং মথং

মথং কোক্তবা ওয়্রকপি অমসুং মতুংগীশু অহনবা নৈতম্বা হোৎনবিগনি হায়না আশা তৌবে। মসিগীদমক ঐনা মেম্বর খুদিংমকপু হয়া হয়া ধন্যবাদ তৌজরি।

জ্ঞান মন্দির,
ইম্ফাল,
তাং ৭/৪/৮০ ইং

ডাক্তর শ্রীহাওবম বাকুণী সিংহ



শ্রীমৎপরমহংস পরিব্রাজকাচার্য্য
শ্রীস্বামী যোগেন্দ্রানন্দ গিরি মহারাজ
বেদান্ত জ্যোতিষাচার্য্যজী

পরমহংসবু "ওঁ নমো নারায়ণায়" হায়না (শোন্দুনা) খুরুমনৈ। অংথাইবা সন্মান ঈকাই খুম্নবসি মণিপুরী (মীতৈসু) সু কংবা ওম্মি উজবদা ওমথে নাইনা নুংঙাইজে। পরমহংস অসি সাক্ষাৎ নারায়ণনি; সাক্ষাৎ বিষ্ণুনি, "বেদপুরুষনি" সমদর্শীনি অসুম্না উপনিষৎনা লাউরি। অদুনা "পরমহংস" করিনো হংবা তাবনিঃ— মাচ ওইবা উপনিষৎ ১০৮দি হৌজিক ফংনরি। মদুগী মনুংদা নারদপরিব্রাজকোপনিষৎ, সংন্যাসোপনিষৎ, পরমহংসোপনিষৎ, পরমহংসপরিব্রাজকোপনিষৎ অসিনচিংবা উপনিষৎ ২০দা সংন্যাসগী বিষয়শিং শন্দোকলি। সংন্যাস বিধিঃ, সংন্যাসগী তুংদা তৌগদবা ধর্ম্ম পূম্বা উপনিষৎশা মপুং ওইনা তাক্লি। মরমসিদগী উপনিষৎনা তাক্লিবা ধর্ম্মাসমক যতিধর্ম্মনি। সংন্যাস লৌরবা তুংদা গুরুনা শিষ্যদা "ঔপনিষদান্ পরমহংসধর্ম্মান্ উপদিশেৎ" হায়বা বিধিসু লৈ।

থাঙ্গশেংবমক্তি "সংন্যাস" হায়বসি মথল অমতমক্তি— বস্তুত;— "সর্ব্বারম্ভ-সর্ব্বসঙ্গ পরিত্যাগরূপঃ সংন্যাস এক এব।"

অহুবু জ্ঞান লৈতবদগী শক্তি লৈতবা-ঙমদবদগী অমসুং ধর্ম্ম থাদোকপদগী সংন্যাস মথল কয়া থোকখরে। মদুগী মনুংদগী পরমহংস অথোইবা সংন্যাস অমনি।

পরমহংসোপনিষৎ

(ক) পরমহংস মথল অনী নারদদা ব্রহ্মানা তাকপিখি— অমুখ্য, মুখ্য।

পরমহংসঃ— মসি অতাঙবনি, ফংঙমদবনি অমতংককা ওইথোকপনি। মহাক্তনি নিত্যপূত, মহাক্তনি বেদপুরুষ অমসুমা বিদ্বানশিংনা লৌনবনি। অসিগুম্বা মহাপুরুষগী চিত্ত (ধ্যান) মতম চুপ্পা ঐঙোন্দা (পরমেশ্বরদা) লৈবনি অমসুং পরমেশ্বর ঐহাকসু মঙোন্দা লেঙদনা লৈবনি।

সন্ন্যাসী অসিনা পুত্র, মিত্র, পত্নী, বান্ধব-নচিংবা শিখা, যজ্ঞোপবিত, স্বাধ্যায়, মথল পুম্বগী কর্ম্ম অমসুং ব্রহ্মাণ্ডপুম্বা থাদোক্লগা কৌপীন, দণ্ড অমসুং ইন্নফি মশাগীদমক অমসুং লোককল্যাণগীদমক ধারণ তৌই। অসিনি অমুখ্য পরমহংস।

মুখ্য পরমহংস ঃ— মহাক্না দণ্ড পায়দ্রে, শিখা থাক্তরে, লুণ্ডণ থাংদ্রে ফি:রান থমদ্রে, মহাক্না শীত-উষ্ণ,সুখ-দুঃখ, মান-অপমান, উর্ম্মি ৬ লৈখিদরে। মহাক্না নিন্দা, গর্ব্ব, মৎসব, দম্ভ, দর্প ইচ্ছা, দ্বেষ, কাম ক্রোধ, লোভ মোহ, হর্ষ-অহংঙ্কারনচিংবনা থজিক্তুংসু চোইদ্রে, মশাগী হকচাংবু অশিবা ওইনা খঙলে। মহাক্না সংশয় অমসুং মিথ্যাভাব লোইনা মাঙখরে। মহাক

সত্যজ্ঞান-স্বরূপ ওই অমসুং সংসারগী বস্তু অমতংগী আশ্রয় - মতেং লৌদবে; অমতা ওইবা আত্মরূপতা লেংদনা লৈবা ওই। মহাক্না অসুম্না লৌই ঐ (আত্মা) স্বয়ং শান্ত, অচল, অদ্বয়ানন্দ, বিজ্ঞানঘন স্বরূপনি, স্বরূপসিমক ঐগী পরমধামনি, শিখা, যজ্ঞোপবীত করিগুম্বা পূম্বনি। মহাক্না পরমাত্মা অমসুং আত্মাদা সমভাব একদৃষ্টি থম্মি অমসুং অনীমক্না মহাক্কী সন্ধ্যা ওই।

(খ) পরমহংস মখল অনী— অমুখ্য অমসুং মুখ্য।

(১) অমুখ্য পরমহংস:— শিখা-সূত্র থাদোক্লে, রাগী চৈন্ডু, কমণ্ডলু পায়, কৌপীন-কান্থ শেৎ-ইল্লি নত্রগা ইন্নফিতমক য়াওই, করপাত্রদা (খুজোক) য়ুম মঙাদগী ভিক্ষা লৌই, উং তৈ। পরমহংসসিগী মানস স্নান (শ্রবণ মতম ওইরগনা ত্রিকাল স্নান) তৌই, অয়ণক্ষৌর মানসার্চ্চন, আন্তরপ্রণব, শ্রবণ মননদা আত্মানুসন্ধান, মহাবাক্য উপদেশগী অধিকার ওইরে। সংস্কারগী মরমদদি (পোৎলোইবতদি) হকচাংদু মতূপ মতূপ ককথৎলগা মায়কৈ মরিদা লংশেকই, নত্রগা লৈমুং চল্লি নত্রগা ঈশিংদা থাদৈ। সত্যলোক ফংই-সগুণ ব্রহ্ম-লোক ফংই—

(২) মুখ্য পরমহংস:— শিখা শূত্র থারে, দণ্ড কমণ্ডলু কান্থ য়াওদ্রে দিগম্বর নত্রগা এককৌপীন অমতং শেৎলী অমদি জলস্থলকমণ্ডলু পায়, করপাত্রদা য়ুম মঙাদা ভিক্ষা লৌই উং তৈ। মহাক্কী মানসস্নান ক্ষৌর লৈত্রে (লৈরবদি সপ্তাহ ক্ষৌর), অর্চ্চনা লৈতরে, দেবান্তরাধনা লৈতরে, ব্রহ্মপ্রণব ওইরে, সোঽহং ভাবনাগী

মশক নিদিধ্যাসন্দা আত্মানুসন্ধান মহাবাক্য উপদেশাধিকার, বিকরণ খনন, জলবিক্ষেপণ স্বাত্মন্যেব কৈবল্যম্ ॥

ব্রহ্মা-নারায়ণসম্বাদদা

ব্রহ্ম প্রণব করিনো? খণ্ডজনীংলবা ব্রহ্মাদা ভগবান্ নারায়ণজীনা তাকপীরকই—"ব্রহ্ম প্রণব" মাত্রা মরিগী মশক্তি। মসিগী অবস্থা মরিগী মরি মরি তিন্নরগা মখল তরাতরুক ওইবনি। জাগ্রত - (বন্দিগী ফিরেপ) অবস্থাদা জাগ্রতনচিংবা অবস্থা মরি, স্বপ্নদা স্বপ্নচিংবা অবস্থা মরি সুষুপ্তিদা সুষুপ্তিনচিংবা অবস্থা মরি অমসুং তুরীয়দা তুরীয়নচিংবা অবস্থা মরি লৈ। জাগ্রত অবস্থাদা বিশ্ব (আত্মা) মখল মরিনি বিশ্ব-বিশ্ব, বিশ্ব তৈজস, বিশ্বপ্রাজ্ঞ, বিশ্বতুরীয়। স্বপ্ন অবস্থাদা তৈজস (আত্মা) মখল মরিনি তৈজস বিশ্ব, তৈজস-তৈজস, তৈজস প্রাজ্ঞ, তৈজসতুরীয়। সুষুপ্তিদা প্রাজ্ঞ মখল মরিনি—প্রাজ্ঞবিশ্ব প্রাজ্ঞ তৈজস, প্রাজ্ঞ-প্রাজ্ঞ; প্রাজ্ঞ তুরীয়। তুরীয় অবস্থাদা তুরীয় মখল মরিনি—তুরীয় বিশ্ব, তুরীয় তৈজস, তুরীয় প্রাজ্ঞ, তুরীয়-তুরীয়। ক্রম অসুম্না মাত্রা তরাতরুক্তা সাত্থান লৈবনি। (আরূঢ় ওই)।

'অ' কারদা জাগ্রত-বিশ্ব, 'উ' কারদা জাগ্রত তৈজস, 'ম' কারদা জাগ্রত-প্রজ্ঞ, অমসুং অর্দ্ধমাত্রাদা জাগ্রত তুরীয় ওইবনি। বিন্দুদা স্বপ্ন-বিশ্ব, নাদদা স্বপ্ন তৈজস, কলাদা স্বপ্নপ্রাজ্ঞ, কলাতীতদা স্বপ্ন তুরীয় ওই। শান্তিদা সুষুপ্তি-বিশ্ব, শান্ত্যতীতদা সুষুপ্তি তৈজস, উন্মনীদা সুষুপ্তি-প্রাজ্ঞ, মনোন্মনিদা সুষুপ্তি তুরীয় ওই।

বৈখরীদা তুরীয় বিশ্ব, মধ্যমাদা তুরীয়-তৈজস, পশ্যন্তীদা তুরীয়-প্রাজ্ঞ অমসুং পরাদা তুরীয় তুরীয় ওইবনি।

জাগ্রতকী মাত্রা মরি 'অ' কার অংশগীনি, স্বপ্নগী মাত্রা মরি 'উ' কার অংশনা ওইবনি, সুষুপ্তিগী মাত্রা মরি 'ম' কার অংশদগীনি অমসুং তুরীয়গী মাত্রা মরি অর্দ্ধমাত্রগী অংশনা ওইবনি। (মথক্তা তাকপিহৌবা) অসিবু "ব্রহ্ম প্রণব" কৌবনি; তুরীয়াতীত পরমহংস অমসুং অবধূতশিংগী উপাস্য মহামন্ত্র মসিমক্তি। মসিদনা ব্রহ্ম প্রকাশ ওইরকপনি অমসুং বিদেহ মুক্তি ওইবনি।

"ব্রহ্মা-নারদ সম্বাদদা ব্রহ্মপ্রণব"

(১)

নারদদা ব্রহ্মানা তাকখিবা সংসারতারক ব্রহ্মগী মশক ওঁ (অসিদং) তারক মন্ত্রনি, অসিদবু ব্যষ্টি-সমষ্টিগী মওংদা চিন্তন তৌগনি, নীংগনি। ব্যষ্টি সমষ্টি হায়বসি ব্রহ্মপ্রনবকী অঙ্গনি। ব্রহ্মপ্রণব অমত্তনি অদুবু সংহারপ্রণব, সৃষ্টিপ্রণব অমসুং অনীগী মশক উভয়াত্মক প্রণব অমুম্না অহুম থোক্না লৌনৈ।

উভয়াত্মকসু বাহ্য-অন্তর মখল অনীনি। মবম অসিনা উভয়াত্মক প্রণব হায়নবনি। ব্রহ্মপ্রণবকী মখল অমনা ব্যবহারিক প্রণবসু কৌই। ব্যষ্টি প্রণবদবু বাহ্যপ্রণব হায়নৈ। অমনা আত্ম প্রণবসু ওই। উভয়াত্মক প্রণবপু বিরাট্ প্রণবসু কৌই। অকারনচিংবা মাত্রা মরি লৈবা স্থূলনচিংবা মখলনা তিল্লবা প্রণবপু অর্দ্ধমাত্রা প্রণবসু হায়নবনি।

(২)

ওঁ ব্রহ্মনি। অসিমক একাক্ষর (তারক) মন্ত্রনি। অমদি মসিতবু অন্তর প্রণবনি লৌনখ্রবনি। মসি অকার, উকার, মকার অর্দ্ধমাত্রা, বিন্দু, নাদ, কলা অমসুং শক্তি অসুম্না নীপালথোক্না খাইদোকপনি। মাত্রা মরীগী মশক ওইনা খণ্ডনরিবা প্রণবকী মাত্রা খুদংগীসু মথক য়াম্মি। অকার মাত্রাগী অবয়ব লীশীং তরানি। উকারগী লীশীং অমনি অমসুং মকারগী চামনি। অর্দ্ধমাত্রা প্রণবসু অনন্ত অবয়বকী মশক্নি। বিরাট্ প্রণব সগুণ ওই অমসুং সংহারপ্রণব নির্গুন ওই হায়না লৌনৈ। সৃষ্টি প্রণব, সগুণ নির্গুণ অনীতগা মরী লৈনবনি। বিরাট্ প্রণব অকার-নচিংবা মাত্রা মরিগী সমষ্টিগী মশক ওইবনি। অমদি সংহারপ্রণব মরিগুবা অর্দ্ধমাত্রাগী মশক্নি।

(৩)

বিরাটপ্রণব মাত্রা তরাতরুক্কী মশক্নি। মসিবু তত্ত্ব বুম্বা-তরুক্কী (৩৮) য়াংমদনি হায়থবে। অকারনা প্রথম মাত্রানি। উকার, মকার, অর্দ্ধমাত্রা, বিন্দু, নাদ, কলা কথাতীত, শান্তি, শান্তি-অতীতা, উন্মনী, মনোন্মনী, সূরী মধ্যমা ব্যন্ত্যন্তী অমসুং পরা অসুম্না মথংশীংনা অনীশুবা ষোড়শ-মাত্রা (১৬) ওই। মাত্রা ১৬কী মশক ব্রহ্মপ্রণবসিমক ওত, অনুজ্ঞাতৃ, অনুজ্ঞা অমসুং অবিকল্পগী মশক তুরীয়দগী তোঙান্দবা ওইবনা মাত্রা ৬৪ গী মশক ওইরে। অমুকসু প্রকৃতি-পুরুষ মশক অনী ওইরকলবদা

মাত্রা ১২৮ না তিন্নবা ওইয়ে। অসুম্না অমত্তা ওইবা ব্রহ্মপ্রণবকী সগুণ নির্গুণনচিংবা রূপ লৌরহুনা অমদি মীৎয়েং খেন্নবদগীসু মখল কয়াগী রূপ ওই।

ব্রহ্মপুর; ইম্ফাল, শ্রীশিবদত্ত শর্ম্মা

তাং ১৫/৪/৮০ইং, তর্ক তর্ক তীর্থ, ব্যাকরণ রত্ন



অবতারণা অধ্যায়

—।০।—

শ্রীগণেশায় নমঃ ॥

অচপ্পা নীশিংনা -"কৃষ্ণ অসিদি বসুদেবগী মচানি অমসুং অতোপ্পগী মশোইগুম নিংথৌনগা চমনি, মাংলা চাবা রাজর্ষিসি প্রমাণ ওইনা লৌনা যাকন থোক" অর্জুননা বা হায়জং। মদুদা অহ্ কোকহনগে অমসু মখোয়গী মফমদা শ্রীকৃষ্ণনা অশ্বনবাদি খঙহনগে হায়বগীদমক অর্জুননা অঙৌবা মাগী মতৌ ওং চংদুনা হংলি।

অর্জুন উবাচ

অপরং ভবতো জন্ম পরং জন্ম বিবস্বতঃ।
কথমেতদ্বিজানামি ত্বমাদৌ প্রোক্তবানিতি ॥ ৪ ॥

অন্বয়ব্যাখ্যা ঃ—অর্জুন উবাচ—অর্জুননা হায়খি (হংজখি) **ভবতঃ** জন্ম—নহাক্কী মপোক, অপরম্ তুংদা ওই (ঐগী লেংমান্নরা নহাক বসুদেবগী মচ ওইনা পোকই), বিবস্বতঃ জন্ম বিবস্বানগী (সূর্য্যদেবকী) মপোক্তু, পরম্ =মাংডা হান্না থোইখি (সৃষ্টি হৌবা মতমদা হৌরম্লবা পোকখি), মবম আনানা—ঐ অদোম্না নহাক্কা **অগ্রানবদা** (সৃষ্টি হৌবা মতমদা), প্রোক্তবান্ আদিত্যগী মফমদা

জ্ঞানযোগ হায়খি, ইসি এতং = অসিগুম্বা রা অসিবু, কথ, বিজানামি =ঐনা করম্না খঙগনি ॥ ৪ ॥

অপুনবা অর্থ ঃ—অর্জ্জুনা [illegible] হায়খি, [illegible] নহাক্তি তুদা পোকই ([illegible]), [illegible] ([illegible]) অম্না হান্না (থাবন) সৃষ্টিগী [illegible], [illegible] নহাক্না আদিত্যবু সৃষ্টি হোবা [illegible] জ্ঞানযোগ হায়খি (তাকখি) হায়বসি ঐনা করম্না খঙগনি ? ৪ ॥

তাৎপর্য্য রা

অর্জ্জুনা ভগবানগী মপোক হৌলিবাস হৌবচাংবু [illegible] হংখনি, [illegible] শিবা নাহদে হায়বাস [illegible] খঙদ্রে। মবম অসিনা ম'না [illegible] (ভগবান্না) সৃষ্টি হোবা [illegible] উপদেশ পীখিবদু [illegible] হকচাং অনা [illegible] হৌখিক লৌবরা [illegible] [illegible] উপদেশ [illegible] রাক অমি [illegible] থাদে, মরমদি [illegible] থোবাখবা থাদোক মপোক অমিনা [illegible] অনাশুবা রাকম অসিস্থ চুমদে ; মবমদি [illegible] লৌখিবা নহাক্না (শ্রীকৃষ্ণগী) হকচাং অসি সৃষ্টিগী [illegible] লৈরমদে। মবম অসিনা নহাক্না আদিত্যবু সৃষ্টি হোবা মতমদা জ্ঞানযোগগী উপদেশ পীখি হায়বসি ঐনা (অর্জ্জুন্না) করম্না খঙবা ঙমগনি ? মসি ওইথোক্তবনি ॥ ৪ ॥

অচম্বা অমস্তুং অপঙবা মীশিংনা ঐগী (ভগবানগী) উরিবা হকচাং আসমু মথোয়গী হকচা। [illegible] মতৌঙন খন্দনা অহুম্না হায়খিবনি, ঐগী হকচাং আসাদ মথোয়গী হকচাংগুম্বা নত্তে [illegible] [illegible] পীখিবনি। মরম অসিনা [illegible] [illegible] ঐ [illegible] পরমাত্মা ওইবা মরমদগী [illegible] ওইবা [illegible] [illegible] পুম্নমক [illegible] [illegible] অহানবা [illegible] অর্জুনা [illegible]

শ্রীভগবানুবাচ

বহূনি মে ব্যতীতানি [illegible] তব চার্জ্জুন।
তান্যহং বেদ সর্ব্বাণি ন [illegible] বেত্থ পরন্তপ ।৫।

[illegible] শ্রীভগবান উবাচ শ্রীভগবাননা হায়খি ([illegible]) [illegible] মে = ঐগী (ভগবানগী), অর্জুন [illegible] — [illegible] অমসুং [illegible] কথামুক, ব্যতীতানি - [illegible] বহূনি জন্মানি ব্যতীতানি — [illegible] কথামুক [illegible] মশাক [illegible]), তানি সর্ব্বাণি = মশাক পুম্নমক অদুব (ঐগী, নঙগী অমসুং জীব [illegible] মশাক পুম্নমক অদুবা [illegible] বেদ = সর্ব্বজ্ঞ (পুম্নমক খঙবা) অমসুং সর্ব্বশক্তিমান (পুম্নমক তৌবা ঙম্বা) ঈশ্বর ওইবা ঐনা খঙই। অদুবু -পরন্তপ = য়েক্‌বশিংবু মাইহনবা হে অর্জ্জুন!

ত্বং ন বেৎথ= নওনদি অজ্ঞানী জীব ওইবা মরমদগী মতু পুন্নমকপু খঙবা উম্নদে ॥ ৫ ॥

অপুনবা অর্থ— হে অর্জুন! ঐগী অবতার ওইবা মপোক কয়ামুক ওইখ্রে; অদুগা নঙগীসু কর্ম্মনা মরম ওইদুনা ফংবা মপোক কযামুক হৌখ্রে। য়েংশিংবু ৱাহনবা হে অর্জ্জুন! নঙগী অমসু, ঐগী মপোক পুন্নমক অদুবু সর্ব্বজ্ঞ ঈশ্বর ওইবা মরমদগী ঐনা খঙই, অদুগা নংনদি অজ্ঞানী জীব ওইবা মরম্না মতু পুন্নমকপু খঙদে ॥ ৫ ॥

মসিদা অতোপ্পা মী পুন্নমকপুসু "ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণ সাক্ষাৎ পরমাত্মানি" হায়রবাসিদা চিংনবা পুন্নমক কোকহনগে নীংদুনা অর্জ্জুন্না অসুম্না হায - নহাক্না [কৃষ্ণনা] নহাক্কী হৌখিবা মপোক কয়াম্নকপু মপোক তসিদা নীংশিংই হায়রি; মতুদি জাতিস্মর ওইবা (হৌখিবা মপোকপু নীংশিংবা ঙম্বা) জাবগীসু ওইবা য়াই, ঈশ্বর ওইরবদ্দা মতু ওইগনি হায়বা নিয়ম লৈতে। অদুগা অতোপ্পগী মপোকপুসু যোগীশিংনা খঙই; অদুবু মখোয ঈশ্বর নত্তে। বামদেবনসু যোগী অমসুং জাতিস্মর ওইবা মরমদগী অসুম্না হায়খি— "অহং মনুরভবং সূর্য,শ্চাহং কক্ষীবান্নৃষিরস্মি বিপ্রঃ" (ঋগবেদ ৪।২৬।১)= ঐ মনু ওইরম্মি, ঐ মুনিৎসুান অদুগা লৌশিং শিংবা কক্ষীবান ঋষিসু ঐনি।" মরম অসিনা নহাক (কৃষ্ণ নহাক) সর্ব্বজ্ঞ ঈশ্বরনি হায়বা অসিবু মীনা করম্না খঙগনি অমসুং থাজগনি? মসিদা নত্তনা "কর্ম্মণা জায়তে জন্তুর্বিস্তুয়া চ প্রমুচ্যতে।" (মহাভারত শাঃ পঃ ২৪১।৭)—"কর্ম্মনা মরম ওইদুনা

জীব পোকই অতুগা জ্ঞাননা মরম ওইদুনা মুক্ত ওই" হায়বা অসিগী মতুং ইন্না পাপ পুণ্যগী মশক ওইবা কর্ম্ম লৈরবতদা পোকপা শিবা নাইগদবনি। ঈশ্বরগীদি পাপ-পুণ্য অমত্তা লৈতবদগী করম্না পোকপা শিবা নাইগনি? মরম অসিনা নহাক্কি পোকপা শিবা নাইবদগী ঈশ্বর ওইবা য়াদে। মতৌ অসুম্না চিংনরবদা ভগবান্না "ঐগী পোকপা শিবা নাইবগুম উরিবসি মায়ানা মরম ওইদুনা উবগুম তৌবনি, কর্ম্মগী মথা পোন্দুনা জীবগুম্না পোকপা শিবা নত্তে" তাক্কুনা অর্জুনবু হায়রি—

অজোঽপি সন্নব্যয়াত্মা ভূতানামীশ্বরোঽপি সন্।
প্রকৃতিং স্বামধিষ্ঠায় সম্ভবাম্যাত্মমায়য়া॥৬॥

অন্বয়ব্যাখ্যাঃ—অজঃ সন্ অপি=জীবগী মতৌগুম্না পাপ-পুণ্য কর্ম্মগী মথা পোন্দুনা পোকপা লৈত্রবস্মু, অব্যয়াত্মা (সন্ অপি)=জীবগী মতৌগুম্না বর্ম্মনা মরম ওইদুনা মাঙবা [শিবা] নাইদ্রবস্মু, ভূতানাং =ব্রহ্মাদগী হৌদুনা ভুমীৎ-কাঙ ফাওবা থরায়পানবা পূম্নমক্কী, ঈশ্বরঃ সন্ অপি=ঙাকপি-শেনবিদুনা লৈবা মপু ওইরবস্মু, স্বাং প্রকৃতিং= ঐগী সত্ত্ব, রজঃ অমস্মুং তমঃ গুণ অহুমগী মশক ওইবী অমস্মুং জগৎ পূম্নমক্কী কারণ [মরম] ওইবী প্রকৃতিবু, অধিষ্ঠায=ঈথা পোলহন্দুনা থংগা, আত্মমায়য়া=ওইথোক্কবা পোৎপুস্মু ওইথোকহনবা ঙম্বি ঐগী মায়ানা মরম ওইদুনা, সম্ভবামি=ঐ পোকপগুম অমস্মুং হকচাং লৈবগুম ওই [তৌই] ॥৬॥

অপুনবা অর্থ ঃ—জীবগী মতৌগুম্না কর্ম্মগী মথা পোন্দুনা পোকপা অমস্মুং শিবা লৈতবা ওইরবস্মু থরায়পানবা পূম্নমকপু

ঙাকপি-শেনবিন্থনা লৈবা মপু ওইরবস্থু ঐগী সত্ত্ব, রজঃ, তমঃ গুণ অহুমগী মশক ওইবী প্রকৃতিবু ঈথা পোন্দুনা থম্নগা ওইথোক্কবা পোৎপুস্থু ওইথোকহনবা ঙম্বি ঐগী মায়ানা মরম ওইহুনা ঐ পোকপগুম অমস্থুং হৃকচাং লৈবগুম ওই ॥ ৬ ॥

অথূপ্পা ৱা

শ্লোক অসিদা শ্রীভগবান্না অবতাবগী মবমদা য়াম্না অথূপ্পা ৱা তাক্লি। "সর্ব্বং খল্বিদং ব্রহ্ম" [ছাঃ উঃ ৩ । ১৪ । ১]—"লেঙলি পাল্লিবা তাইবংপানবা পূম্নমক অসি লেপ্পমক ব্রহ্মনি"; "নেহ নানাস্তি কিঞ্চন" (বৃঃ উঃ ৪।৪।১৯)—"ব্রহ্মসিদা মথল মথা অয়াম্বা করিগুম্বা পোৎ অমতা লৈতে" অসিনচিংবা শ্রুতিশিংনা তাকপগী মতুং ইন্না সংসার অসিদা সচ্চিদানন্দ পবমব্রহ্ম নত্তবা পোৎ অমতা লৈত্রবস্থু জগৎ, জীব, ঈশ্বরনচিংবা খায়দ্রিবসি স্পূপ্পা ব্রহ্মগী শক্তি ওইবী মায়াদগীনি। মায়া অসিদগী অচেতন জগৎ অসি পোক্লকপনি অমস্থুং ময়াম ওইনা উরিবনি। মহুদা মায়াগী কার্য্য [থবক] ওইনা পোকপা অন্তঃকবণশিংবু উপাধি ওইনা লৌদূনা লৈবা ব্রহ্মমক জীবনি। "অনেন জীবেনাত্মনাঽনুপ্রবিশ্যনামরূপে ব্যাকরবাণি" [ছাঃ উঃ ৬ । ৩ । ২]—"জীবাত্মাসিগী মশক লৌদূনা ঐনা শেম্লিবা হৃকচাংশিংসিদা চঙলগা নাম [মিং] অমস্থুং রূপ [মওং, মশক] ফোঙদোকে" অস্মুন্না সংকল্প তৌহুনা ব্রহ্মমক জীব ওইরিবনি, অহুগা কারণ মায়াবু উপাধি ওইনা লৌদূনা লৈবা ব্রহ্ম ঈশ্বরনি। মহাক সর্ব্বজ্ঞ, সর্ব্বশক্তিমান্নি অমস্থুং জগৎপু শেম্বি-য়োকপিবা মপুনি। "যঃ সর্ব্বজ্ঞঃ সর্ব্ববিদ্ যস্য জ্ঞানময়ং তপঃ।

তস্মাদেতদ্ব্রহ্ম নাম রূপমন্নং চ জায়তে" [মুঃ উঃ ১ । ১ ।৯]
"পোৎ পুম্নমকপু খঙবা অমসুং পোৎ খুদিংমকপু খঙবা পরমেশ্বরনি, সৃষ্টি তৌনবা মাগী তপতি সুপ্পা জ্ঞানগী মশক ওইবা সংকল্পনি। মঙোন্দগী নাম, রূপ অমসুং পৃথিবীনচিংবা উরিবা ব্রহ্মসি পোকই।" মতৌ অসুম্না উপাধি খেন্নবদগী জীব অমসুং ঈশ্বর খায়বনি. উপাধি লৌথোক্লবদি অনীমক খেন্নদনা অশেংবা ব্রহ্মগী মশক ওইনা লৈ। মসিসু শ্রুতিনসু অসুম্না তাক্লি—
"কার্য্যোপাধিরয়ং জীবঃ কারণোপাধিরীশ্বরঃ। কার্য্যকারণতাং হিত্বা পূর্ণবোধোঽবশিষ্যতে॥" (শুক উঃ ২/১২ "কার্য্য অন্তঃকরণ] উপাধি ওইবা জীব অসিনি অতুগা কারণ [মায়া] উপাধিঃ ওইবা ঈশ্বরনি ; কার্য্য অমসুং কারণ উপাধিবু থাদোক্লগা পূর্ণবোধ [জ্ঞান] গী মশক ওইবা ব্রহ্মমক্তা লেমহৌই।" জীব অমসুং ঈশ্বরগী স্বরূপনচিংবগী মরমদা "জ্ঞানগী লম্বী" কৌবা লাইরিক্তা নীংথিনা বিচার তৌখ্রে। নীংথিনা খঙনিংবা মীনা মতুদা য়েংবিয়ু। হৌজিক্তি মায়াবু উপাধি ওইনা লৌদূনা লৈবা ঈশ্বরনা করম্না অবতার লৌই অমসুং মাগী উরিবা হকচাং অতু করিনো হায়বসিগী মরমদা থরদং বিচার তৌদুনা খঙসি।

মসিবু নীংথিনা খঙননবগীদমক ঐখোয়না পরমাত্মাগী মশক অসিবু নির্গুণ নিরাকার, সগুণ নিরাকার অমসুং সগুণ সাকার হায়না মথল অহুমথোক্লা থায়দোকসি। অহুম অসিগী মনুংদা নির্গুণ নিরাকার [গুণ অমসুং মওং লৈতবা] অসি অশেংবা সচ্চিদানন্দ ব্রহ্মগী মশক্নি, সগুণ নিরাকার [গুণদি লৈবা মওংনা

লৈতবা] অসি সর্ব্বজ্ঞ [পূম্নমক খঙবা] অমসুং সর্ব্বশক্তিমান্ [পূম্নমক তৌবা ঙম্বা] ঈশ্বরগী মশক্তি ; অদুগা মঙোন্দা গুণ অমসুং শক্তি লাকলিবসি মায়া ওইবা উপাধিদগীনি। শ্রুতিনসু ঈশ্বরগী মশকপু অসুম্না হায়রি— "ব্রহ্মৈব স্বশক্তিং প্রকৃত্যভিধা-মাশ্রিত্য লোকান্ সৃষ্ট্বা প্রবিশ্যান্তর্যামিত্বেন ব্রহ্মাদীনাং বুদ্ধীন্দ্রিয়নিযন্তৃত্বাদীশ্বরঃ" [নিরালম্বোপনিষৎ]— "ব্রহ্মমক প্রকৃতি হায়না কৌবী মশাগী শক্তিবু পাম্বে ওইনা লৌবগা সংসার পূম্নমকপু শেমদুনা অন্তর্যামী ওইনা মদুগী মনুংদা চঙদুনা লৈরগা চতুর্মুখ-ব্রহ্মানচিংবা জীব পূম্নমক্কী বুদ্ধি, ইন্দ্রিয়নচিংবা পূম্নমক্কী মপু ওইদুনা ঈশ্বর ওই।" মবম অসিদগী শ্লোকসিদসু ভগবান্না "প্রকৃতিং স্বামধিষ্ঠায়" হায়রিবনি। অদুগা সগুণ সাকার [গুণ অমসুং মওং লৈবা] অসি অবতার লৌদুনা লৈবা শ্রীভগবান কৃষ্ণনচিংবগী মশক্তি। ঈশ্বরনা মাগী মথা পোন্না লৈবা অমসুং রাথং ইনবা মায়াগী মতেং লৌদুনা অবতার লোবনি [তৌবনি]। অবতার লোদুনা লৈবিবা পরমাত্মাগী হকচাং অদু ঐখোয় জীবশিংগী হকচাংশিংগী মতোগুম্না পঞ্চভুতনা (পৃথিবী, ঈশিংনচিংবনা) শাবা নত্তে, সুপ্প। মাখানা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী হকচাংশিংগুম্না উবদনি। মবম অসিনা মফম অসিদা ভগবান্না "আত্মমায়য়া" হায়বনি। সনৎকুমারনসু শ্রীভগবান কৃষ্ণগী স্তুতি তৌবা মতমদা মাবু (কৃষ্ণবু) অসুম্না হায়রি—

রক্তবিন্দূদ্ভবা দেহান্তে চ প্রাকৃতিকাঃ স্মৃতাঃ।
কথং প্রকৃতিনাথস্য বীজস্য প্রাকৃতং বপুঃ ॥২৫॥
সর্ব্ববীজস্য সর্ব্বাদির্ভবাংশ্চ ভগবান্ স্বয়ম্।

সর্ব্বেষামবতারাণাং প্রধানং বীজমব্যয়ম্ ॥২৬॥
মায়য়া সগুণশ্চৈব মায়েশং নির্গুণং পরম্।
প্রবদন্তি চ বেদাঙ্গাস্তথা বেদবিদঃ প্রভো ॥২৮॥

(ব্রহ্মবৈঃ পুঃ কৃষ্ণজন্ম খণ্ড অঃ ৮৭)

"[illegible]য় পানবা পুম্নম্নী হকচা [illegible] মবীকাশ দগী লোকপান, অহংগা [illegible] অতুদি [illegible] থবা[illegible] (পৃথিবীনচি বা ভুব[illegible]দগী [illegible] [illegible] [illegible], [illegible]), মবম আ[illegible] সংসার পু[illegible] [illegible] অম্ম [illegible] [illegible] নহাম্না হকপা আ[illegible] [illegible]ক কবম্না [illegible] ? সংসার [illegible] মবা পুম্ন[illegible] [illegible] অ[illegible] ([illegible]) [illegible] [illegible] অ[illegible] [illegible] সাক্ষাৎ ভগবান্ ; অদুগা অবতার [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]-অ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ([illegible]) [illegible], অ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। ([illegible]) [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।"

মসিদা সনৎকুমারনা-বেদনাচনা [illegible] হায়রা অসিগী খুদমাশংদ অসিনি -

প্রজাপতিশ্চরতি গর্ভে অন্তরজায়মানো বহুধা
বিজায়তে। তস্য যোনিং পরিপশ্যন্তি ধীরাস্তস্মিন্
হ তস্থুর্ভুবনানি বিশ্বা ॥ (বাঃ যজুঃ স, ৩১/১৯)

"প্রজাপতিঃ = প্রজা পুন্নমকপু (থৱায় পানবা পুন্নমকপু) ঙাকপি শেনবিহুনা য়োকপি-থাকপিবা পবমাত্মা, গর্ভে অন্তঃ চরতি = গর্ভগী মনুংদস্সু চঙই ; অজায়মানঃ = হৌনশা ওইনা পোকপা নাইদ্রবস্সু, বহুধা বিজায়তে = মায়ানা মরম ওইহুনা মখল মথা অযাম্বা মওংদা পোকই ; তস্য যোনিং = পবমাত্মা অদুগী মক্ত ওইবা মফম অদুবু (অশেংবা শকফম অদুবু), ধীবাঃ পবিপশ্যন্তি = ৱাখল লৈবা জ্ঞনীশিংনা নীংথিনা য়েংই (খঙই), তস্মিন্ হ = লেপ্পমক পবমাত্মা অদুদা, বিশ্বা ভুবনানি তস্থুঃ = অচৎ-চত্তা তাইবংপান পুন্নমকসি লৈরিবনি ॥"

রূপং রূপং প্রতিরূপো বভূব তদস্যরূপং প্রতি-চক্ষণায় । ইন্দ্রো মায়াভিঃ পুরুরূপ ঈয়তে যুক্তা হ্যস্য হরয়ঃ শতাদশ । (ঋগ্‌বেদ ৬। ৪৭ ।১৮)—

"ইন্দ্রঃ = মুমিৎ-থানচিংবা পুন্নমকপু মশা মশাগী থবক নিয়ম কায়দনা তৌহনবা পবমাত্মা, মায়াভিঃ = মশাগী ক্রিয়াশক্তি, জ্ঞানশক্তি-নচিংবগী মশক ওইবা মায়াশিংনা, পুরুরূপঃ ঈয়তে = মখল মথা অয়াম্বা দেবতানচিংবগী মওঙ ওই, অস্য তৎ রূপং = মহাক্কী রূপ অদুবু, প্রতিচক্ষনায় = ভক্তশিংদা ফাওহনগে হায়বগীদমক, রূপং রূপং = ভক্তশিংনা পাম্বা মওঙ মওঙগী মতুং ইন্না, প্রতিরূপঃ বভূব = মদুগা মান্নবা মওঙ ওইথি, হি = লেপ্পমক, অস্য হরয়ঃ = মাগী ফোঙ-দোক্লিবা মওঙ (মঙাল)-শিং অদু, শতাযুক্তাঃ = চাম-চামনা তিল্লী, দশ = অমস্সুং অথোইবা ভরানি ।"

"দ্বাবেব ব্রহ্মণোরূপে মূর্ত্তঞ্চা মূর্ত্তঞ্চেতি" (বৃঃ উঃ ২।৩।১)—"পরব্রহ্মগী ফোঙদোক্লবা অমসুং ফোঙদোক্তবা মওঙ অনী লৈ।"

মহর্ষি যাস্কাচার্য্যনা নিরুক্তদসু অসুম্না ইরি—"মহাভাগ্যাদ্দেবতয়া এক আত্মা বহুধা স্তুয়তে ; একস্যাত্মানোহন্যে দেবাঃ প্রত্যঙ্গানি ভবন্তি" (নিঃ দৈবতকাঃ ৭।১।৫)—"দেবতাগী য়াম্না ঐশ্বর্য্য লৈবা মরম্না আত্মা অমত্তগী মথল মথা য়াম্না স্তুতি তৌই অহুগা অমতা ওইবা আত্মাগী অতোপ-অতোপ্পা দেবতাশিং অঙ্গ প্রত্যঙ্গ ওই।"

মরম অসিনা বেদনা হায়রি—"একং সদ্বিপ্রা বহুধা বদন্তি"(ঋগবেদ ২ ।৩।২২।৬) – "অমতা ওইবা পরমাত্মাবু লৌশিংশিংবা ঋষিশিংনা ময়াম ওই হায়।"

মতৌ অসুম্না অমত্তা ওইবা পরমাত্মানা ময়াম ওইনা ফোঙদোক্লবগী মরম প্রকৃতি অমসু মায়া অহু করিনো হায়বসিবুসু অসুম্না হায়রি—

প্রকৃষ্টবাচকঃ প্রশ্চ কৃতিশ্চ সৃষ্টিবাচনঃ।
সৃষ্টৌ প্রকৃষ্টা যা দেবী প্রকৃতিঃ স প্রকীর্তিতা ॥
ত্রিগুণাত্মস্বরূপা যা সর্ব্বশক্তি সমন্বিতা।
প্রধানা সৃষ্টি করণে প্রকৃতিস্তেন কথ্যতে॥

(ব্রহ্মবৈঃ প্রকৃতি খঃ১/৪,৬—দেবী ভাঃ ৯।১।৫,৭)

" 'প্রকৃতি' হায়বা ৱাহয় অসিদা 'প্র'গী অর্থ অথোইবনি অহুগা 'কৃতি' গী অর্থ সৃষ্টিনি; মরম অসিনা সৃষ্টিদা পরমাত্মাগী অথোইবা মতেং পাংবী দেবীবু প্রকৃতি কৌই। সত্ব, রজঃ, তমঃ

শুধ অহমগী মশক ওইবী শক্তি পুম্নমক্তস্থ তিনবী অমস্থং সৃষ্টি তৌবদা মকোক ওইবী দেবী ওইবা মরমদগী মাবু প্রকৃতি' অস্থুম্না হাম্বনৈ।"

মায়াগী মরমদস্থু অস্থুম্না হায়র—

মাশ্চ মোহার্থবচনো য়াশ্চ প্রাপণবাচকঃ।
তং প্রাপয়তি যা নিত্যং সা মায়া প্রকীর্ত্তিতা॥

(ব্রহ্মবৈঃ কৃষ্ণজন্ম খঃ ২১।৭)

'মায়া' হায়বা ৱাহয় অসিদা 'মা'গী অর্থ মোহনি (শুমহৎপনি) অদুগা 'য়া' গী অর্থ ফংহনবনি; মতৌ অস্থুম্না মোহ ফংহনবা মরমদগী মাবু (প্রকৃতিবু) মায়া কৌই।"

বিচিত্রকার্য্যকারণা অচিন্তিতফলপ্রদা।
স্বপ্নেন্দ্রজালবল্লোকে মায়া তেন প্রকীর্ত্তিতা॥

(দেবী পুঃ ৪৫/৮)

"অঙকপগী মশক ওইবা থবকশিংগী কারণ [মরম] ওইবী, খল্লোকপা শুমদবা মহয় পীবিবী শক্তিবু মায়া কৌই। মসি সংসারদা মঙ অমস্থং মিত্রংশুম্বা অমনি।"

মঙদা ফংবা অমস্থ' উরিবা হকচাংশিং অদু ভৌতিক নত্তে, মতম অদুমক্তদা অজ্ঞাম্না (মায়ানা) শেমদোকপনি অমস্থং মায়িকনি; অদুমনমক ওইদুনস্থু মহুদগী জীবনা মঙদা অরা-স্থুংডাইনচিংবা ফংই; অদুগা মিত্রংদা হৈনৌ পাম্বী. হৈনৌনচিংবা উরিবা অদুস্থু মায়িকনি, ভৌতিক নত্তে। মতৌ অদুগুম্না অবতারগী হকচাংস্থু মায়িকনি,

মহু প্রকৃতিগী থবক ওইবা ভৌতিক নত্তে। প্রকৃতি অমম্থুং মায়াদা "মায়ান্তু প্রকৃতিং বিত্তান্মায়িনন্তু মহেশ্বরম্" (শ্বেতঃ উঃ ৪/১০) শ্রুতি অসিগী মতুং ইন্না মশক খেন্নব্রবম্থু অবতার লৌবা মতমদা থবক থরা খেন্নবদগী "প্রকৃতিং স্বামধিষ্ঠায় সম্ভবা-ম্যাত্মমায়য়া।" অম্থুন্না ভগবান্না অনীথোক্না হায়খি। মসিদগীম্থু ঐখোয়না ভগবানগী হকচাং অহু প্রকৃতিগী থবক ভৌতিক নত্তে, মায়িকাক হায়রিস হওবা ওইম। মিত্রং তৌবা মীশা মায়াবু মাগী মথা পোন্দুনা থগা ওইরাক্লিবা পোৎ উত্তুনা অতোপ্পশিংবু স্নেং-হনবগুম্না ঃ ম্মাত্মনম্থু মাগী মথা পোন্দুনা লৈবি অমম্থুং মাথং ভাকপা মাংলা মরম ওইদুনা ভৌতিক ওইবা হকচাংগুম্না মায়িক হকচাং উংপনি। মায়া পরমাত্মাগী মথা পোন্দুনা মাথং ভাক্তুনা লৈ হায়বা অসিবুম্থু শ্রুতিনা অম্থুন্না ভাকলি --"ঈশ্বরস্ত মহামায়া তদাজ্ঞা শংবর্ত্তিনী" (ত্রিপাদঃ মহাঃ উঃ ৪/১)--"ঈশ্বরগী মহামায়া মাগী যাথংগী মতুং ইন্না মথা পোন্দুনা লৈ।"

মসিদা নত্তনা পরমাত্মাগী অবতারদা লৌরিবা (ওইরিবা) হকচাং অসি ভৌতিক নত্তে হায়বসিদা অতোপ্পা যুক্তি অমম্থু লৈ। পাপ-পুণ্য কর্ম্মগী মতুং ইন্না অরা-ফুংঙাই ফংনবগীদমক জীবনা ভৌতিক হকচাং লৌবনি। মরম অসিনা শাস্ত্রকারশিংনা "ভোগা-য়তনং শরীরম্"--"কর্ম্মগী মতুং ইন্না অরা-ফুংঙাই ফংনবা মকমবু হকচাং কৌই" হায়না ভাকই। মসিগী মরমদা রাজা জনমেজয়বু ভগবান ব্যাসনম্থু অম্থুন্না হায়রি--

কর্ম্মণৈব সমুৎপত্তিঃ সর্ব্বেষাং নাত্র সংশয়ঃ।
অনাদিনিধনা জীবাঃ কর্ম্মবীজসমুদ্ভবাঃ॥
নানাযোনিষু জায়ন্তে ম্রিয়ন্তে চ পুনঃ পুনঃ।
কর্ম্মণা রহিতো দেহ সংযোগো ন কদাচন॥

(দেবী ভাঃ ৭'২১৫৫)

"থরায় পানবশিংগী মপোক অসি কর্ম্মনা মবম ওই হায়বসিদা করিমত্তা চিংনফম লৈতে। অহৌবা অরোইবা লৈতবা জীবশিং কর্ম্ম ওইবা মরূশিংদগী পোকলকপনি, মতো অস্তুম্না মখোয় মথল মথা অয়াম্বা যোনিশিংদা হন্না হন্না পোকই অমসুং (হন্না হন্না) শিত্না লৈ। কর্ম্ম লৈতনা কদায়দসু হকচাংগা লোয়নবা মরী লৈনবা য়াদে।"

অসিগুম্বা জীবশিং অসিদি কর্ম্মনা মবম ওইত্রনা ভৌতিক ওইবা হকচাং ফংলগা, মাগানা শুমহৎন্নবা মাগী (মাযাগী) মথা পোন্দুনা লৈরিবনি ঈশ্বরগীদি পাপ-পুণ্য লৈতে, মায়া মাযানসু শুমহৎপা ঙমদে ; মায়া অসিদি মাগী মখা পোন্দুনা লৈরিবনি। মবম অসিনা পরমাত্মাগী অবতারদা লৌবা হকচাং করম্না ভৌতিক ওইবা য়াগনি? হায়রিবা রা অসি অবতার পুন্নমক্কী ওইনা হায়বা রানি। অর্জ্জুনবু গীতাগী উপদেশ পীবিবা ভগবান শ্রীকৃষ্ণ অসিদি সাক্ষাৎ পরমেশ্বরগী পূর্ণ অবতারনি। মসিবু শ্রীমদ্ভাগবত মহাপুরাণদা অস্তুম্না হায়রি—"এতে চাংশকলাঃ পুংসঃ কৃষ্ণস্তু ভগবান্ স্বয়ম্॥ (ভাঃ ১।৪।২৮)—"অতোপ্পা অবতারশিংদি পরমেশ্বরগী অংশ ওইবা কলাশিংনি; শ্রীকৃষ্ণদি কলা ১৬ না তিনবা পরমেশ্বর

ভগবান মশামক্কি।" অসিগুম্বা ফীবম অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী হকচাং অহুম্ভ ভৌতিকনি, মায়িক নত্তে হায়বসি কবম্না য়াকম থোক্কনি? অন্নপ্রাশন অমসুং নামকরণগী সংস্কারগী মতমদসু গর্গ মহর্ষিনা নন্দ বাবাগী মফমদা অস্মম্না হায়বি—

পূর্ণব্রহ্ম স্বরূপোঽয়ং শিশুস্তে মায়য়া মহিম্।
আগত্য ভারহরণং কর্ত্তা ধাত্রা চ সেবিতঃ॥
সর্ব্বেষাং তেজসাং রাশির্মূর্ত্তিমানাগতো বিভুঃ।
স বসুং দর্শয়িত্বা চ শিশুরূপো বভুব হ॥
সাম্প্রতং সূতিকাগারাদাজগাম তবালয়ম্।
অযোনি সম্ভবশ্চায়মাবির্ভূতো মহীতলে॥
বায়ুপূর্ণং মাতৃগর্ভং কৃত্বা চ মায়য়া হরিঃ।
আবির্ভূয় বসুং মূর্ত্তিং দর্শয়িত্বা জগাম হ॥

(ব্রহ্মবৈ: কৃষ্ণজন্ম খঃ ১৩।৪৮,৫১,৫২,৫৩)

"হে নন্দ! নহাক্কী মচা অসি অসি সাক্ষাৎ পূর্ণ পরম-ব্রহ্মমকনি [illegible]তুর্মু। বস্নাংনা হায়জবদগী মায়ানা মরম ওইদুনা পৃথিবী অসিদা লাকলগা পৃথিবীগী অবাম্বা কোকহনবা তৌবা মপুনি। মফম পুম্নমক্তা শীন-থংনা লৈবা মঙাল (চেতন) পুম্নমক্কী মপৈ অহু মূর্ত্তিমান (মওং লৈবা) ওইনা লাকপনি। মহাক বসুদেববু মশাগী অশেংবা মশক যেংহল্লগা অংম্বা অঙাংগী মওং ওইথিবনি। হৌজিক অঙাং পোক্রবা মফম অহুদগী নঙগী য়ুমসিদা মহাক লাকপনি। মহাক মমাগী গর্ভদগী (ঈশিং খোঙদগী)

পোকপা নত্তে স্বপা অ... ওইদুনা ... অ... লাকখি। ভগবান হরি অসিনা ম... গী গর্ভত ... থলহনগা (পুক কহনগা) গ... হান ...খি, ... মশামক কোঙদাকতুনা মাগী ম... চ... ।”

শ্রীমদ্ভাগ... পুরাণদসু ... ওইত্রে ... পিত্রোঃ স... সু... ॥ (... ১০৪)

“মপা মমা ওইবা ... মাগা চতুর্ভুজ মূর্ত্তি যৎহনগা, ... মখুও ওইত্রে।”

মখন অসিনা ...গী হকচাং অদু অচ... গী ...ওম্না ভৌতিকনি খনবা ... অসুম্না হায়রি

ন ভূতসংঘসংস্থানো দেবস্য ... ।
... ভৌতি... দেহং ব্রহ্মস্য ... ॥
স সর্ব্বস্মাৎ বহিষ্কার্য্যঃ শ্রৌত ... ॥
মুখং তস্যাবলোক্য ... সচৈলং স্নানমাচরেৎ ॥

“শ্রীপরমাত্মাগী হকচা ... ভূত মজাগ তিন্দুনা শাবা নত্তে। পরমাত্মা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী হকচাবু ভৌতিকনি খঙবা (নাংবা) মী অদুবু শ্রুতি অমসুং স্মৃতিগা বিধানগী মতুং-ইন্না বহিস্কার তৌগদবনি [সনাতনগী ... থোকদবনি], অদুগা মাগী মায় উবা ফাওবদসু শেৎলিবা ফিশিং অদুগা লোয়ননা ঈরুজগদবনি॥”

মতৌ অস্নুম্না ভগবানগী হকচাং অসি মাঘিকনি, ভৌতিক নত্তে হায়বসি ঐথোয়না খঙ্গনে। হৌজিক্তি অবতাব করিনো হায়বা অসি খঙসি। অযাম্বা মীনা কবিগুম্বা মফম অমদগী ভগবান্না কুমথদুনা লাকপবু অবতারনি হায়না খঙনৈ। অদুবু বিচার তৌদুনা য়েংলবদি—"অবতরতীতি অবতারঃ" "কুমথদুনা লাকপবু অবতারনি" হায়বসি চুমদে। ভগবানদি মফম পুম্নমক্তা শী-নথুংনা লৈবিবনি, মানা কুমথনবা অতোপ্পা মফম অমা লৈতে। ফীবম অসিদা কুমথদুনা লাকপবু অবতার কৌই হায়বসি যুক্তি-যুক্ত ওইদে। গোলোক কৌবা ধামদা চতুর্ভুজ (মখুৎ মরি পানবা) ভগবান বিষ্ণু লৈ, মহাক্দগী কুমথরক্নুনা ভগবান বিষ্ণুনা অবতার লৌবনি হায়বসিস্তু চুমদে। মবমদি চতুর্ভুজ ভগবান বিষ্ণু মশা-মকস্তু অবতাব অমনি; অদুগা বিষ্ণুগী অর্থস্তু শিনবা থুংনা লৈবনি মসিগী মবমদস্তু ব্রহ্মানা অস্নুম্না হায়রি—

বিঃ মশ্চ ব্যাপ্তিবচনো ণুশ্চ সর্ব্বত্র বাচকঃ।
সর্ব্বব্যাপী চ সর্ব্বাত্মা তেন বিষ্ণুঃ প্রকীর্ত্তিতঃ॥

(বহ্মবৈ' ব্রহ্ম খঃ ১০।১৬)

" 'বি' অমস্তুং 'ষ' অনী অসিগী অর্থ "শীন-থুংনা লৈবা" হায়বনি, অদুগা 'ণ' গী অর্থ " ফম পুম্নমক্তা" হায়বনি। মতৌ অস্নুম্না শীন-থুংনা লৈবা অমস্তুং পুম্নমক ওইবা মরম্না পবমাত্মাবু বিষ্ণু হায়না কৌই।"

অসিগুম্বা পরমাত্মা অদু কৃষ্ণমক্তি অমস্তুং মাগী অবতার চতুর্ভুজ বিষ্ণুনি হায়বসিস্তু অস্নুম্না তাকলি—

কৃষিশ্চ সর্ব্ববচনো নকারশ্চাত্মবাচকঃ।
সর্ব্বাত্মা চ পরংব্রহ্ম তেন কৃষ্ণঃ প্রকীর্ত্তিতঃ॥
স একাংশেন ভগবান্ বৈকুণ্ঠে চ চতুর্ভুজঃ।
স এব কলয়া বিষ্ণুঃ পাতাচ জগতাং প্রভুঃ॥

(ব্রহ্ম বৈঃ পুঃ হরিবংশ খণ্ড ২৮/৬৬,৬৮,৬৯)

"'কৃষ্ণ' হায়বা রাহৈ অসিদা 'কৃষ' গী অর্থ 'পূম্নমক' নি, 'ন' গী অর্থ 'স্বরূপ (মওঙ)' নি অদুগা পূম্নমকী মওঙ (সর্ব্বাত্মক) ওইবদি পরব্রহ্মনি ; মরম অসিনা পরব্রহ্মবু কৃষ্ণ কৌই। অদুগুম্বা কৃষ্ণ ভগবান অদু অংশ (মচেৎ) অমা ওইনা বৈকুণ্ঠ (গোলোক) ধামদা চতুর্ভুজ ওইনা লৈ (মথূং মরি পানবা বিষ্ণু ওইনা লৈ) অদুগা মহাক (কৃষ্ণ) অদুমক অংশগী (মচেৎকী) মশক ওইনা বিষ্ণু ওইরগা (সংসারদা শীনবা থুংনা লৈবগা) জগৎ অসিগী ভাকপী-শেনবিবা মপু ওই॥"

মরম অসিদগী ভগবান শ্রীকৃষ্ণ সাক্ষাৎ পরমেশ্বরগী অবতারনি। অচুম্বা অমসুং অশেংবা মীৎয়েংদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণ, চতুর্ভুজ শ্রীভগবান বিষ্ণু, শীনথুংবা (শীন-থুংনা লৈবা) বিষ্ণু, ঈশ্বর অসিনচিংবা পূম্নমক করিমত্তা খেন্নব্রবসু ব্যবহারগী মতমদা উপাধিনা মরম ওইদুনা মখোয়সিদা খেন্নবা লৈ। মায়াবু উপাধি ওইনা লৌরগা সর্ব্বজ্ঞ অমসুং সর্ব্বশক্তিমান ওইদুনা লৈবা ঈশ্বরনি, ঈশ্বর অসিমক মায়াগী রজোগুণবু উপাধি ওইনা লৌদুনা লৈরবদি চতুর্মুখ ব্রহ্মা ওই, অদুগা মহাক সৃষ্টিগী কর্ত্তানি ; সত্ত্ব গুণবু উপাধি ওইনা লৌদুনা লৈরবদি সংসারদা শিনথুংনা লৈবা বিষ্ণু ওই, অদুগা

মহাক সৃষ্টিগী পালকনি ; মায়াগী তমোগুণবু উপাধি ওইনা লৌরবদি রুদ্র [মহাদেব] ওই. অদুগা মহাক সংহার কর্ত্তানি [সংসারবু প্রলয় তৌবনি]; অদুগা ঈশ্বর অদুমক গোলোক ধামদা লক্ষ্মীগী পতি ওইদুনা লৈরবদি চতুর্ভুজ বিষ্ণুনি ; অদুগা ঈশ্বর অদুমক মর্ত্ত্যলোক্তা অবতার লৌদুনা লৈরবদি শ্রীকৃষ্ণ ভগবাননচিংবনি। মসিদা উপাধি পূম্নমক অদুবু লৌথোকলবদি মখোয় পূম্নমক অশেংবা অমস্তুং অমত্তা ওইবা সচ্চিদানন্দ পরব্রহ্মগী মশক ওইনা লৈ, অদুগা জীব পূম্নমকসু মখোয়গী অন্তঃকরণ ওইবা উপাধিশিং লৈত্রবদি পরব্রহ্মগী মশক গাক্তনি, মভোন্দগী মখোয়সু করিমত্তা খেন্নদে। মরম অসিনা মায়া উপাধিবু লৌদুনা শিন-থুংনা লৈবা পরমেশ্বরগী অবতার শ্রীকৃষ্ণনচিংবনি হায়বসিদা চিংনকম থোক্তে। শ্রীশুকদেবনসু পরীক্ষিৎপু অশ্নম্না হায়রি—

কৃষ্ণমেন মবেহি ত্বমাত্মানমখিলাত্মনাম্।
জগদ্ধিতায় সোহপ্যত্র দেহীবাহভাতি মায়য়া ॥

(ভাঃ১০।১৪।৫৫)

"হে রাজন! মহাক শ্রীকৃষ্ণ অসিবু জীব পূম্নমকী আত্মানি হায়না খঙউ ; মহাক অদুসু জগৎকী কান্নবগীদমক পৃথিবীদা মায়ানা মরম ওইদুনা হকচাং লৈবগুম তৌনা উই ॥"

মরম অসিনা অবতারগী অর্থ অসুম্না তৌগদবনি :—"যস্ত অভিব্যক্ত্যা সাধুজনাঃ দুঃখেভ্যঃ অবতরন্তি সোহবতারঃ" —"মাগী কোওদোকপদগী অফবা ভক্ত ওইবা মীশিংনা আধ্যাত্মিকনচিংবা অন্নাবা অদুমদগী লাম্থোকপা ঙম্মি, অসিগুম্বা মহাকপু অবতার কৌই।

মৈ অসি মকম পূম্নমক্তা অমসুং পোৎ পূম্নমক্তা শীন-থুংনা লৈ; অত্মক ওইহুনসু শীংনচিংবদা মহাক কোওদোক্তবদি মী-ওইবগীদমক মঙোন্দগী করিমত্তা কান্নবা লৈতে; শীংনচিংবদা কোও-দোক্লবতদা মহাক কান্নরিবনি। মতৌ অত্মগুম্না পরমাত্মা ঈশ্বর, সর্ব্বজ্ঞ অমসুং সর্ব্বশক্তিমান ওইহুনা শীন-থুংনা লৈববসু ব্যবহারদা কনাগুম্বা অমত্তগী কান্নদে। অত্মগা মায়ানা মবম ওইহুনা কোও-দোকলবতদা মহাক কান্নগনি। মরম অসিনা ব্রহ্মানসু অসুম্না হায়রি—

হরিঃ সর্ব্বত্র সর্ব্বাত্মা বিগ্রহঃ কৃত আত্মনঃ।
স্বেচ্ছাময়ঃ পরংব্রহ্ম ভক্তানুগ্রহবিগ্রহঃ॥

[ব্রহ্ম বৈঃ পুং ব্রহ্ম খণ্ড ১০/১৪]

"শ্রীভগবান হরিদি পূম্নমক্কী আত্মা ওইনা এফম পূম্নমক্তা লৈবিবনি, মবম অসিনা মাগী হকচাং কংম্না ওইরা যাগনি? অত্মক ওইহুনসু মশানা নীংবা মতুং ইন্না পরমব্রহ্ম অত্মনা ভক্তশিংবু কৃপা তৌবিগে হায়বগীদমক মায়ানা হকচাং লৌবনি।।"

মানা লৌবিবা হকচাং অত্মসু জীবগী মতৌগুম্না কর্ম্মগী মথা পোনবা নত্ত, মূপ্না কৃপানা মবম ওইহুনা হকচাং লৌবনি হায়বা অসিগী মরমদসু অসুম্না তাকলি—

কারাগৃহে গচ্ছতি ভূমিপালো
হেতুর্দয়া তত্র ন কর্ম্মবন্ধঃ।
এবঞ্চ সর্ব্বেশ্বরো দেব দেবো
দয়াবতারো ন চ কর্ম্মবন্ধঃ॥

"লৈবাক ভাকপা নিংথৌনা কারাগৃহদা (জেলদা) চৎলি, মতুদা চৎপগী মরমদি সূপ্পা বন্দীশিংগী মফমদা দয়া (থৌজাল) তৌবিনবগীদমক্তনি, মতুদা কর্ম্মবন্ধ নত্তে (ফত্তবা কর্ম্ম তৌরুবগী জেলদা চৎপা নত্তে); মতৌ অতুগুম্না দেবাশংগীসু দেব পর-মেশ্বরনা অবতার তৌবসি ভক্তাশংগী মথক্তা থৌজাল তৌবীনব-গীদমক্তি, পাপ-পুণ্য কর্ম্মগী মখা পোন্দুনা জাবগুম্না হকচাং লৌবা (পোকপা) নত্তে।"

হায়রিবা ঈশ্বরগী অবতার অসি অংশাবতার অমসুং পূর্ণাবতার খেন্নবদগী অনৌথোক্লা থায়রি। অংশবু কলা হায়নসু কৌই; মসিগী অর্থদি মচেৎ হায়বনি। আকাশদা ঐথোয়না উবিবা থা অসিদা কলা তরাতরক লৈবগুম্না ঈশ্বরগীসু কলা তরাতরক লৈ হায়না ব্যবহারদা চৎনৈ। ঈশ্বরগী কলা ১৬ অসি অরাং-অহেন (অথোই-অহেন) নাইনা থরায় পানবা পুম্নমকী মফুংদা ফোংদোক্তুনা লৈ। মতুদা কলা ৮ দগী হেনগৎনা ফোঙবা মতমদা মাবু অবতারনি হায়নৈ। মীওইবগী হকচাংদ দ সাধারন ওইনা (চম্না) কলা ৫ ফোঙই অতুগা কলা ৬ তগী ৮ ফাওবা ফোঙবা মীবু য়াম্না ঐশ্বর্য্য লৈবা মুনি ঋষিনচিংবনি হায়নৈ। মরম অসিদগী জীব পুম্নমক অসিসু ঈশ্বরগী অংশনি, মতোন্দগী অতোপ্পা নত্তে হায়নরিবনি। তুংদসু ভগবান্না—"মমৈবাংশো জীবলোকে জীবভূতঃ সনা-তনঃ" (গীতা ১৫/৭) অসুম্না হায়রকনি।

হৌজিক থরায়পানবশিংগী মফুংদা পরমাত্মাগী কলাশিং অসি অরাং-অহেন নাইনা কয়ম্না ফোঙই হায়বসিগী মরমদসু থরদং

বিচার তৌসি। থরায়পানবশিংগী হকচাংশিংদা কোশ মঙা লৈ। কুপ্লুনা থমনবা মথুমবু কোশ কৌই। কোশ মঙা অদুদি মসিনি- অন্নময় কোশ, প্রাণময় কোশ, মনোময় কোশ, বিজ্ঞানময় কোশ অমসুং আনন্দময় কোশ। ঐখোয়না চারিবা চীঙ্গাক্লা শাগৎপা অপোবা হকচাং (স্থূল শরীর) অসিবু অন্নময় কোশ কৌই মসিগী মনুংদা লৈবা প্রাণ মঙা কর্ম্মেন্দ্রিয় মঙা তিল্লগা প্রাণময় কোশ ওই ; সংকল্প-বিকল্পগী মশক ওইবা মন অমসুং জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙা তিল্লগা মনোময় কোশ ওই, মতৌ অদুগুম্না নিশ্চয়াত্মিকা বুদ্ধি অমসুং জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙা তিল্লগা বিজ্ঞানময় কোশ ওই। জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙা অসি মনোময় অমসুং বিজ্ঞানময় কোশ অনামক্তা লাকই ; অদুগা অজ্ঞানগী মশক ওইবা কারণ শরীর (পোকপা শিবা নাইনা লৈনবগী মরম ওইবা হকচাং) আনন্দময় কোশনি। প্রাণময়, মনোময় অমসুং বিজ্ঞানময় কোশ অহুম অসি তিল্লগা সূক্ষ্মশরীর [অকুপ্পা হকচাং] ওই। মতৌ অসুম্না হায়রিবা কোশ মঙা অসি জীবাত্মাবু কুপ্পুনা মথুম ওইনা লৈ ; মসি থরায়পানবা পুম্নমক্কী লৈরিবনি। থরায়পানবা পুম্নমক অসিসু চাউরাক্লা— উদ্ভিজ্জ, স্বেদজ, অণ্ডজ অমসুং জরায়ুজ থেন্নবদগী মখল মরি থোক্লা খায়রি। মদুদা লৈপাক্কগী পোকপা [হোৌবা] উ-রা, নাপীনচিংবসি উদ্ভিজ্জনি, হুমাংনচিংবদগী পোকপা হীকনচিংবা স্বেদজনি, মরূমদগী পোকপা উচেক, ভানচিংবা অণ্ডজনি অমসুং নাউয়োম্না য়োমদুনা পোকপা শা, মীনচিংবা জরায়ুজনি। মখোয়াশং অসিগী মনুংদা উদ্ভিজ্জ ওইবা জীবশিংদা অন্নময় কোশদমক [অচৌবা

হৃক্ষচাংদমক] নীংথিনা ফোঙই লেমহৌবা কোশ মরি নীংথিনা ফোঙদে, থূপতূনা লৈ, মরম অসিনা মখোয়দা জীব ওইনা ঈশ্বরগী কলা অমা ফোঙই ; স্বেদজ ওইবা জীবদা অন্নময় কোশ অমসুং প্রাণময় কোশ অনী অসি নীংথিনা ফোঙই, অরেম্বা কোশ অহুম ফোঙদবগুম তৌনা লৈ, মতুদগী মখোয়দা [স্বেদজ জীবশিংদা] ঈশ্বরগী কালা ২ (অনী) ফোঙই, অণ্ডজ ওইবা জীবশিংদদি অন্নময়, প্রাণময় অমসুং মনোময় কোশ অহুম অসি নীংথিনা ফোঙই, অতুগা অরেম্বা কোশ অনীদি ফোঙদবগুম তৌনা লৈ, মরম অসিনা মখোয়দা ঈশ্বরগী কলা ৩ (অহুম) ফোঙই ; অতুগা শা ওইবা জরায়ুজশিংদা অন্নময় কোশদগী হৌতুনা বিজ্ঞানময় ফাওবা কোশ মরি অসি নীংথিনা ফোঙই, আনন্দময় কোশ থূপতূনা লৈবগুম তৌই। মরম অসিনা মখোয়দা ঈশ্বরগী কলা ৪ (মরি) ফোঙই ; অতুগা মী ওইনা পোকপা জরায়ূজদদি মপূং ফানা কোশ মঙামক নীংথিনা ফোঙই ; মতুদগী মীওইবদা ঈশ্বরগী কলা ৫ [মঙা] ফোঙই। নোকতূনা মশাগী মুংঙাইবা ফোঙদোকপা ভস্থা জীবদা আনন্দময় কোশ নীংথিনা ফোঙদোকই, অতৈদদি নীংথিনা ফোঙদোক্তে। মতৌ অসুম্না কোশশিংগী অরাং-অহেন নাইনা ফোঙবা মরমদগী ঈশ্বরগী কলা ফোঙবদসু জীবশিংদা অরাং-অহেন নাইবনি ; অতুগা কলাদা অরাং-অহেন নাইবা মরমনা মখোয়গী বুদ্ধি লৌশিংনচিংবদসু অথোই-অহেন নাইবনি। কলা মঙাদগী হৌতুনা কলা নীপাল ফাওবা ফোঙবা জীব মীগী মমুং চল্লি, অতুগা মতুদগী হেনগৎলবদি লাইগী মমুং চল্লি। ভগবান পরশুরামদা ঈশ্বরগী কলা ১০ [তরা], নৃসিংহ ভগবান্দা

কলা ১২, ভগবান শ্রীরামচন্দ্রদা কলা ১৪ অমসুং, শ্রীকৃষ্ণ ভগবান্দা কলা ১৬ পুন্না ফোংই। মসিদগী শ্রীকৃষ্ণবু "কৃষ্ণস্তু ভগবান্ স্বয়ম্" অমুম্না পূর্ণ অবতারনি হায়বিবনি।

পূর্ণ অবতারদা আধিভৌতিক, আধিদৈবিক অমসুং আধ্যাত্মিক শক্তি অহুম অসিসু পূর্ণ ওইনা [মপুং ফানা] লৈ। ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী আধিভৌতিক শক্তিগী [অপোবা হকচাংগা লোয়নবা মরী লৈনবা পাঙ্গলগী] মরমদা কংসবু হাংনবগীদমক রঙ্গশালাদা চংলিবা শ্রীকৃষ্ণবু মীনা করি ওইনা উথিবগে হায়বা অসি শ্রীশুকদেবনা অমুম্না তাকই—

মল্লানামশনির্নৃণাং নরবরঃ স্ত্রীণাং স্মরোমূর্তিমান্
গোপানাং স্বজনোঽসতাং ক্ষিতিভুজাং শাস্তা
স্বপিত্রোঃ শিশুঃ।
মৃত্যুর্ভোজপতের্বিরাডবিদুষাং তত্ত্বং পরং যোগিনাং
বৃষ্ণীনাং পরদেবতেতি বিদিতো রঙ্গং গতঃ সাগ্রজঃ॥
[ভাগবত ১০।৪৩।১৭]

"মল্লশিংগীদি বজ্র ওইনা, অচম্বা মীশিংগীদি অথোইবা মী ওইনা, নুপীশিংগীদি সাক্ষাৎ মূর্তিমান কামদেব ওইনা, গোপশিংগীদি মরূপ-মপাং ওইনা, ফত্তবা নিংথৌশিংগীদি শাসক ওইনা মশাগী মমা-মপাগীদি অঙাং ওইনা [মবমদি মতম অদুদা কৃষ্ণগী চহী ১১ ফাওবসু মপুং ফাদ্রি], ভোজপতি কংসগীদি সাক্ষাৎ মৃত্যু [যম] ওইনা, অজ্ঞানী ওইবা উপাসকশিংগীদি বিরাট্ ওইনা জ্ঞানী ওইবা যোগীশিংগীদি পরম তত্ত্ব পরব্রহ্ম ওইনা, অমসুং

ৱৃষ্ণি শাগৈগী [ৱসুদেবগী শাগৈগী] মীশিংগীদি অথোইবা কুলদেবতা (শাগৈগী দেবতা) ওইনা খঙথিবা (উথিবা) শ্রীকৃষ্ণনা ময়াম্বা বলরামগা লোয়নমা রঙ্গশালাদা (মল্লযুদ্ধ তৌনবা মফমদা) চংখি।"

আধিদৈবিক শক্তিদি (দেবতাগা মরী লৈনবা শক্তিদি) য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদা পূতনাবু হাৎপা, গোবর্দ্ধন ধারণ তৌবা অসিগুম্বা থবক পাঙথোকপনচিংবা অসিনি ; অতুগা আধ্যাত্মিক শক্তিদি (আত্মাগা মরী লৈনবা শক্তিদি) অর্জ্জুনগী মফমদা গীতাগী উপদেশ পীবনচিংবা অসিনি ; মসিদা মী পুম্নমক্কী কান্নবগীদমক য়াম্না শম্না বেদগী কাণ্ড অহুমগী অথূপ্পা ৱা পুম্নমক তাকপিরিবনি। মতৌ অসুম্না শ্রীভগবান কৃষ্ণদা শক্তি পুম্নমক তিন্দুনা লৈবা মরমদগী মহাক পূর্ণ অবতারনি ; হায়রিবা শক্তিশিং অসি অতোপ্পা অবতারশিংদা উবা ফংলোই।

হায়রিবা অবতারসি অমুক হন্না আবেশ, প্রবেশ, স্ফূর্ত্তি অমসুং আবির্ভাব হায়না মথল মরিথোক্না থায়রি। ঈশিংদা মৈগী শক্তি চঙহনা ঈশিং শাবগুম্না পরমাত্মাগী শক্তি চঙহনা পাঙ্গল য়াম্না চাউববু আবেশ অবতার কৌই। মসি পরশুরামগী অবতারনি। সহস্রবাহু অর্জ্জুন্না জমদগ্নিবু হাৎখ্রবদা পরশুরামদা পরমাত্মাগী শক্তি ওইবা কলা চঙই (আবেশ ওই)। কলা অদু চঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক অবতার ওইরমদে। মতোন্দা ঈশ্বরীয় কলা চঙলবা মতুংদা মহাক্না মপা হাৎখিবগী ক্ষমনশিংবগী মশক ওইনা ভারত অসিদা লৈবা ক্ষত্রিয়শিংবু ২১ ৱক হন্না কোয়দূনা মাঙহনখি। মতুংদা ত্রেতাযুগকী মমৈদা শ্রীরামচন্দ্রনা শিব (মহাদেব) গী লীরুং থুদেক্লূনা

সীতাবু লুহোংদুনা লোবা মতমদা পরশুরামদগী ঈশ্বরীয় শক্তি ওইবা কলাশিংত্থবু লৌথোকখি ; মত্থগী মতুংদা মঙোন্দা অবতারগী শক্তি লৈখিদে। মরম অসিনা মাগী অবতার আবেশ অবতারনি।

প্রবেশ অবতারদি য়োৎনচিংবদা মৈ চঙত্থনা মশাগী মঙাল ফোঙদোকপগুম্বনি। মসি দ্রৌপদীগী ফিদা চঙত্থনা ফি ওইনা ঈশ্বরনা মশাগী মওং ফোঙদোকপনি। কৌরব সভাগী মন্থুংদা ফি অমতং শেৎতুনা লাকপি দ্রৌপদীগী ফি (সাড়ী) অত্থবু দুঃশাসন্না লৌথোক্কে হায়না চিংলবা মতমদা মত্থদগী কন্নবা উপায় অমত্তা উত্রবদা দ্রৌপদীনা শ্রীকৃষ্ণবু অস্থুম্না কৌবা হোই—

কৌরবৈঃ পরিভূতাং মাংকিংন জানাসি কেশব।
হে নাথ হে রমানাথ ব্রজনাথাহর্ত্তিনাশন।
কৌরবার্ণবমগ্নাং মামুদ্ধরস্ব জনার্দন॥

(মহাভাঃ সভাপঃ ৬৮/৪১)

"হে কেশব! কৌরবশিংনা ঈকাইবা পীরিবা ঐবু নহাক্না করি মরমদগী খঙদ্রিবনো? হে নাথ! হে লক্ষ্মীনাথ! হে ব্রজনাথ! হে অরাবা পুন্নমকপু ফোকহনবীবা জনার্দন! কৌরবকী মশক ওইবা সমুদ্র অসিদা লুপ্তুনা লৈরিবী ঐবু থাংগৎপিয়ু।"

মতৌ অস্থুম্না দ্রৌপদীনা কৌরবদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা করি তৌখিবগে হায়বসিবু বৈশম্পায়ননা অস্থুম্না হায়রি—

আকৃষ্যমানে বসনে দ্রৌপদ্যাস্তু বিশাম্পতে।
তদ্রূপমপরং বস্ত্রং প্রাদুরাসীদনেকশঃ॥

(মহাভাঃ সভাপঃ ৬৮/৪৭)

"প্রজাপালক হে জনমেজয়! দুঃশাসননা দ্রৌপদীগী ফিবু চিংথোকলবদা মতুগা চপ মান্নবা ফি কয়ামুক কোঙদোকখি, মতু দ্রৌপদীগী হকচাংদগী নাস্থোকপা লৈতনা লোইবা লৈখিদে।"

মসি শ্রীভগবানগী প্রবেশ অবতারনি।

অমংবা নোংগী মতুংদা লৈবা অনুকূল (পোজেটিব্) শক্তি অমসুং প্রতিকূল (নেগেটিব) শক্তি, অনী তিন্নবদগী ঈখঙ খঙহৌদনা নোংথাং ফোঙদোকপগী মতৌগুম্না পরমাত্মানা ফোঙদোকপবু স্ফূর্তি অবতার কৌই; মসিদি নৃসিংহ অবতারনি। মসি হিরণ্যকশিপুদা লৈবা আসুরী শক্তি অমসুং প্রহ্লাদদা লৈবা দৈবী শক্তি অনী অসিনা মরম ওইদুনা ফোঙদোকপনি। মসিগী মরমদা শ্রীশুকদেবনা অসুম্না হায়রি—

সত্যং বিধাতুং নিজভৃত্যভাষিতং
ব্যাপ্তিঞ্চ ভূতেষ্বখিলেষু চাত্মনঃ।
অদৃশ্যতাঽত্যদ্ভুতরূপমুদ্বহন্
স্তম্ভে সভায়াং ন মৃগং ন মানুষম্॥

(ভাগবত ৭।৮।১৮)

"পরমেশ্বরনা মনাইনা হায়খিবা অদুবু অচুম্বনি তাকে হায়বগী-দমক (প্রহ্লাদনা মপাবু ভগবান শ্রীবিষ্ণু মফম পুম্নমক্তা লৈ, মুখোঙ (থুম্বী) অসিদসু লৈ হায়বদু অচুম্বনি তাক্লবগীদমক) অদুগা অচৎ-চম্বা সংসার পুম্নমক অসিদা মশাবু শীন-থুংনা লৈ হায়বসি খঙহন্নবগী-দমক নোংশাসু নত্তবা মীসু নত্তবা (অনীমক তিন্নদুনা শাবা)

অকিবগী মশক ওইবা মওং অমা লৌদুনা য়ুম্বীদগী সভা অহুদা কোক্তদোকখি।”

মসি স্ফূর্ত্তি অবতারনি।

আৱির্ভাব ওইবা অবতারদি রাম-কৃষ্ণনচিংবা মখল মথা অয়াম্বা অসিনি; মসিগী মরমদস্তু অস্তুম্মা হায়রি—

ভাবয়ত্যে,ষ সত্ত্বেন লোকান্ বৈ লোকভাবনঃ।
লীলাবতারানুরতো দেবতির্য্যঙ্ নরাদিষু॥

(ভাঃ ১।২।৩৪)

“সংসার পূম্নমকপু য়াইফহল্লিবা ভগবান্না মায়াগী সত্ত্বগুণনা মরম ওইহুনা লাই, ওক, থেংগু, মীনচিংবগী মওংদা লীলাগী মশক ওইনা অবতারশিং লৌরগা লোক পূম্নমক্কী য়াইফনবা তৌবিরি।”

মতৌ অস্তুম্মা পোকপা নাইদবা অমম্তং লেঙদনা লৈবা পরমাত্মা ভগবান্না মায়ানা মরম ওইহুনা অবতার লৌবসিদা মাগী উরিবা হকচাং অম্ভু ভৌতিক নত্তে, মায়িকনি হায়বা অথুম্বা ৱা পূম্নমক অসি অর্জ্জুনবু নীংথিনা তাকপিবি।

মথক্তা হায়খ্রিবা ৱাশিং অসিদা নত্তনা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী আবির্ভাব ওইবা মতমদা আকাশতা চৎতূনা লৈবা গ্রহশিং করম করম্বা মফমদা লৈরম্মি হায়বা অসিবুস্তু “খমাণিক্য” কৌবা জ্যোতিষকী লাইরিক্তা অস্তুম্মা তাকলি—


“দ্বাপরযুগ শেষে ভাদ্রকৃষ্ণাষ্টম্যাং রোহিণী নক্ষত্রে নিশীথে দেবকীগর্ভে আবির্ভূতঃ। তস্য জন্মসময়ঃ তথা—উচ্চস্থাঃ শশি ভৌমচান্দ্র

শনয়ো লগ্নং বৃষো লাভগো জীবঃ সিংহ
তুলাদিষু ক্রমবশাৎ পুষোশনোরাহবঃ।
নৈশীথঃ সময়োহষ্টমী বুধদিনং ব্রহ্মার্ক মত্রক্ষণে
শ্রীকৃষ্ণাভিধমম্বুজেক্ষণমভুদাবিঃ পরব্রহ্মতদিতি॥"

"দ্বাপর যুগকী মমৈদা, থবান থাগী থাশিথরকপা (নিন্দুং) থাশায়গী নী পান্নিশুবা মুমিত্তা, রোহিনী নক্ষত্রদা থানা লৈবা মতমদা, অহিং নোংয়াইগী মতমদা দেবকীগী গর্ভদা শ্রীকৃষ্ণ আবির্ভূত ওইখি (ফোংদোকখি)। মহাক্কী পোকপগী মতমদি মতৌ অসুম্না ওই—

চন্দ্র, মঙ্গল, বুধ অমসুং শনি গ্রহ মরি অসি মখোয়গী উচ্চস্থান্দা [অৱাঙবা মফমদা] লৈরম্মি [চন্দ্র বৃষভরাশিদা, মঙ্গল মকর রাশিদা বুধ কন্যারাশিদা অমসুং শনি তুলারাশিদা লৈরম্মি] লগ্ন বৃষভরাশিনি ; বৃহস্পতি গ্রহ লাভগী মফমদা [১১ শুবা ভাবতা] লৈরম্মি। সিংহ তুলানচিংবা রাশিদা [সিংহ, কন্যা অমসুং তুলা রাশিদা] সূর্য্য, শুক্র অমসুং রাহু মথং মথং লৈরম্মি। অহিং নোংয়াইগী মতমনি ; অষ্টমীনি, য়ুমশকৈশ হুমিৎনি, ব্রহ্মা মাগী স্বামী ওইবা রোহিণী নক্ষত্রনি। অসিগুম্বা মতমদা সাক্ষাৎ পরব্রহ্মমকনা কমল নয়ন শ্রীকৃষ্ণ মিং লৌদুনা আবির্ভাব ঔখি [ওইখি]।"

মসিগী মতুং ইন্না ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রগী জন্মকুণ্ডলী [জন্ম কোষ্টী] মথাগী অসুম্না ওইগনি –



মসিদা ইরিবা অসিগী মতুংইন্নস্থ ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্র সাক্ষাৎ পরব্রহ্মগী অবতারনি হায়বা অসি করিমত্তা চিংনফম থোক্কে অমস্তুং চিংনফম লৈ তে ॥৬॥

পুন্নমক্কী মপু ওইবা নহাক্না করম্বা মতমদা অবতার লৌবগে অমস্তুং করি মরমদগী লৌবগে হায়না অর্জ্জুন্না হংলবদা ভগবান্না শ্লোক অনীদা অস্তম্না তাকলি—

যদা যদা হি ধর্ম্মস্য গ্লানির্ভবতি ভারত।
অভ্যুত্থানমধর্ম্মস্য তদাত্মানং সৃজাম্যহম্ ॥৭॥
পরিত্রাণায় সাধুনাং বিনাশায় চ দুষ্কৃতাম্।
ধর্ম্মসংস্থাপনার্থায় সম্ভবামি যুগে যুগে ॥৮॥

অন্বয়ব্যাখ্যা ঃ—ভারত=ভরতকী শাগৈদা পোকপা হে অর্জ্জুন! যদা যদা হি=করি করিগুম্বা মতমদা, ধর্ম্মস্য=জীব পুন্নমক্কী য়াইফনবগীদমক বেদন চিংবা শাস্ত্রনা তাকপা প্রবৃত্তি অমস্তুং নিবৃত্তিগী মওক ওইবা ধর্ম্মগী, গ্লানিঃ ভবতি=ময়েং তাবা ওই,

অধর্ম্মস্য=অত্থগা বেদনচিংবা শাস্ত্রগী মতুংইন্না চত্তবা অধর্ম্মগী, অভ্যুৎথানং=চাওথংপা ওই ; তদা=মতম অত্থদা, অহং=ঐনা আত্মানং সৃজামি=মায়ানা হকচাংবু শেম্মি ॥৭॥ সাধূনাং=অফবা লমচং চংতূনা পুণ্যগী থবক তৌবা মীশিংগী, পরিত্রাণায়=ঙাক-শেন্নবগীদমক, দুস্কৃতাং চ=অত্থগা ফত্তবা লমচং চংপা পাপকী থবক তৌবা মীশিংগী, বিনাশায়=মাঙনবা তৌগে হায়বগীদমক, ধর্ম্ম সংস্থাপনার্থায়=ময়েং তাহূনা লৈবিবা ধর্ম্মবু অমুক হন্না চাওথংহন-নবগীদমক [লিংথংনবগীদমক] যুগে যুগে সম্ভবামি=যুগ খূদিংদা ঐ অবতার লৌদূনা ঈশাবু ফোংদোকই ॥৮॥

অপূনবা অর্থ :—হে ভারত ! করি কবিগুম্বা মতমদা ধর্ম্ম ময়েং তাই অমসুং অধর্ম্ম চাওথংলি, মতম অত্থদা ঐনা মায়ানা হকচাং শেম্মী ॥৭॥ অত্থগা অফবা মীশিংবু ঙাক্নবগীদমক, ফত্তবা মীশিংবু মাঙহন্নবগীদমক যুগ যুগ খুদিংদা ঐনা অবতার লৌই ॥৮॥

অথূপ্পা রা

শ্লোক অনী অসিদা শ্রীভগবান্না অবতার লৌবগী মরম মঙাথক তাকলি –(১) ধর্ম্মগী গ্লানি (ময়েং তাবা)—ধর্ম্মগী মশক ওইবা অফবা থবকশিংদা ফত্তবা মীশিংনা ভূক্কচদা পোকতূনা মহু (ধর্ম্মহু) তৌহূনা লৈবা অফবা মীশিংগী মথক্তা নত্ত-নত্তবা অরাবা পীবনচিংবা অসি ধর্ম্মগী ময়েং তাবনি। মসি য়ান্না ওইরক্লবা (তৌয়রক্লবা) মতমদা ভগবান্না অবতার লৌই। (২) অধর্ম্মগী অভ্যুৎথান-পাপকী মশক ওইবা ফত্তবা থবকশিং অধর্ম্মনি, মহু য়ান্না চাওথংলকতূনা

অফবা মীনা ধর্ম্ম তৌবা ঙমলক্ক্রবা মতমদা ভগবান্না অবতার লৌই। (৩) অফবা মীশিংগী পরিত্রাণ—অফবা মীশিংনা ধর্ম্ম তৌবা উরগা শাউহুনা ফত্তবা মীশিংনা থবকশিং অহুবু মাঙহনবা অমস্তুং থাঙঙমদবা মখল মখা অগাম্বা অবাবা পীতনা অফবা মীশি বু হাংপা-তৃপ্পা অসিনচিংবা ওইববা মতমদা মখোয়বু ঙাক্কে হায়বগীদমক অবতার লৌই। (৪) ফত্তবা মীশিংগী বিনাশ—থৌজাল লৈতবা অমস্তুং অফবা মীশিংবু অরাবা পীবগদা মখোয়গী মুংঙাইজবা ওইবা মীশিংবু মাঙহনগে হায়বগীদমক ভগবান্না অবতাব লৌই। (৫) ধর্ম্মগী সংস্থাপন - ফত্তবা মীশিংনা অফবা মীশিংব ধর্ম্ম তৌহন্দ-বদগী মায়কৈ মরিমক্তা অধর্ম্ম শক্তোক্লকলবা মতমদা অধর্ম্ম অহুব মাঙহল্লগা অমুক হন্না ধর্ম্ম লিংখৎতুনা মতু চাওখৎনবগীদমক ভগবান্না অবতার লৌই। মতৌ অম্তুন্না হায়বিবা মঙা অসি পূন নদ্রগা অমা-অনীদং য়াম্না কন্না (হেন্না) ওইবা মতমদা শোয়দনা ভগবান্না অবতাব লৌই হায়বা অসিদা পূবাণ ইতিহাসনচিংবা পুম্নমক্সি সাক্ষীনি। মবম অসিনা শ্রীভগবান্না অর্জ্জুনবু তাকলি-বসিদা করিমতা চিংনফম লৈতে।

—ঃ(ওঁ)ঃ –



মীওইবা সমাজগী ধর্ম খুদিংমক্তা নৈনবদা

শোয়দনা কায়রগদবা

শ্রীমৎপরমহংস পরিব্রাজকাচার্য্য

শ্রীস্বামী যোগেন্দ্রানন্দ গিরিগী

কোঙলবা লাইরিকশিং—

১। ভক্তিগী লম্বী— মমল লুপা ৬,

ভগবান, জ্ঞানগী লম্বী— ,, ,, ৬'

৩। [illegible] লম্বী- ,, ,, ১২,

৪। ব্রহ্মচর্য্য ,, ,, ২,

কাওগদৌরিবা—

১। শ্রীমদ্ভগবদ্গীতা ব্যাখ্যান (২ সঙ্গ) [illegible]।

শাখিবা— নৈঅখিবা— [illegible], [illegible]।